

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, TUESDAY, MAY 15, 2018 PAGE 7


*য়ুএসএগী সিটি সোগ্রাসতা পাঙথোকখিবা দি প্লেয়র চেম্পিয়ন্সিপ গোল্ফকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা য়ুএসএগী গোল্ফর ৱেব সিম্পসন*

*স্পেনিস গ্রান্দ প্রি কার লমজেলদা মকোক ওইবা ঙমখ্রবা মার্সিদিজ কারগী ড্রাইভর বৃটেন মচা লেৱিস হেমিল্টন*

## ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর হিনা সিধু অমসুং নিভেথানা মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রে

*হেনওভর, মে ১৪ঃ*

জর্মনিগী সিটি হেনওভরদা চথুরিবা ইন্টরনেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপীগী সুট্টর হিনা সিধু অমসুং নিভেথানা গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবী ইন্দিয়াগী সুট্টর হিনা সিধুনা মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ৫৭২ ফংদুনা মরিশুবা তাখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখিবী ইন্দিয়াগী নুপীগী অতোপ্পা সুট্টর নিভেথানা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ৫৯২ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক ওইবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি হিনা সিধু ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্ভু ওইরগা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসকী নুপীগী মিটর ২৫গী পিষ্টোল ইভেন্টতা গেমস অদুগী রেকোর্দ থম্বা ঙম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি। লোয়ননা মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতনা সিলভর মেডল ফংহৌবনি।

হিনা সিধুনা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল কম্পিটিসন অদুগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ৪শুবা পোজিসন তাখ্রবসু ফাইনেল রাউন্দ অদুদা পোইন্ট ২৩৯.৯ ফংদুনা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ফ্রান্সকী সুট্টর মাথিলদে লামোলেনা পোইন্ট ২৩৯.৮ ফংদুনা মান্নখ্রবসু টাই ব্রেক তৌরকপদা ইন্দিয়াগী সুট্টর হিনা সিধুনা ফজবা হেনখিবদগী ফ্রান্সকী সুট্টর অসিনা ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল ফংহৌবনি।

মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবী অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর নিভেথানা পোইন্ট ২১৯.২ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌবনি। ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াখিবী অতোপ্পা ইন্দিয়াগী সুট্টর লোভলিন কোর ১২শুবা পোজিসন তাহৌখি।

থা অসিগী ২২ দগী ২৯ দা জর্মনিগী সিটি ম্যুনিক্তঃ পাঙথোক্কদৌরিবা আইএসএসএফ সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াদুনা মেডল ফংনবা হোৎনগদৌরি।

ইন্টরনেসনেল সুট্টিং কম্পিটিসন অসিগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবা অসিনা ম্যুনিক্কী ৱার্ল্ড কপ অসিদা কান্নবা ফংহল্লগনি হায়নসু সিধুনা ফোঙদোকখি।



*মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড লৌখ্রবী ইন্দিয়াগী হিনা সিধু (ময়ায়) অমদি ব্রোঞ্জ ফংখ্রবী নিভেথা (য়েৎ)*

## রোমাগা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রবসু পোইন্ট টেবলগী মকোক ওইদুনা জুবেন্টসনা সেরি এ গী টাইটল থংন–থংননা ৭লক লৌখ্রে

*রোম, মে ১৪ঃ*

ইটালিদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এ গী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩৭শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচতা রোমাগা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রবসু জুবেন্টসনা লীগ অসিগী টেবলদা মকোক ওইদুনা সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী থংন–থংননা ৭লকশুবা টাইটল লৌখ্রে।

সেরি এ পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা জুবেন্টস অমসুং ৩শুবা পোজিসনদা লৈরিবা রোমানা শান্নখিবা ৩৭শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদু মায়কৈ অনীদগী অকনবা লম্বা মায়োক্কখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টেবলগী মকোক ওইরিবা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেনখি। মখোয়না তৌশিল্লকখিবা এটেকশিং অদু রোমাগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাকথোক্কুনা শান্নবা ঙমখিবদগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা অদুদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি।

জুবেন্টসনা সেরি এ গী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ৩৭ শান্নখিবদা পুন্না পোইন্ট ৯২ ফংদুনা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা ওইরিবা এসএসসি নাপোলিদগী শুপ্নগী পোইন্ট ৪ খক হেন্দুনা লীগ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩৭শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা এসএসসি নাপোলিনা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরিবা সাম্পদোরিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

এসএসসি নাপোলি অমসুং সাম্পদোরিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরবা মতুং শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা এসএসসি নাপোলিগী শান্নরোই অরকাদিয়ুজ মিলিকনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা সাম্পদোরিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা এসএসসি নাপোলিগী শান্নরোইশিংগী মখা তানা এটেক অমদা রাওল অলবিওলনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা সাম্পদোরিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা পাও অমদা স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা বার্সেলোনা ১৫শুবা পোজিসনদা লৈরিবা লেভান্টেগী মখূত্তা পাঞ্জল ৪–৫ দা মায়থিদুনা সিজন অসিদা মেটচ অমত্তা মায়থিদনা লাকখিবা পরিং অদু লোইশিনখ্রে।

বার্সেলোনা অমসুং লেভান্টেনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ হৌরকপদা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা লেভান্টেগী শান্নরোই ইমানুয়েল বোটেংনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারিবা লেভান্টেগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা বার্সেলোনাগী মায়কৈদা এটেক কয়া তৌদুনা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা লেভান্টেগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ইমানুয়েলনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা বার্সেলোনাবু ২–০ দা মাঙজিল থাখি। ৩৮শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই ফিলিপ কোটিনহোনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মিনট অমত্তা ঙাইরিঙৈদা লেভান্টেগী শান্নরোই ইনিস বার্ধিনা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমখ্রবা মতুং ৫৬শুবা মিনটতা ইমানুয়েলনা মহাক্কী হেটট্রিক পাঞ্জল অদু চন্দুনা বার্সেলোনাবু ৫–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

বার্সেলোনাগী অতোপ্পা পাঞ্জল অহুম অদু ফিলিপ কোটিনহোনা শান্নবগী ৫৯অমসুং ৬৪শুবা মিনটতা অনী চনখি। অদুগা অরোইবা পাঞ্জল অদুনা বার্সেলোনা শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা ফংখিবা পেনাল্টি অমগী মতেংনা লুই স্বারেজনা চনখি।



*ইটালিগী সেরি এ ফুটবোলগী টাইটল লৌখ্রবা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

## জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*মাদ্রিদ, মে ১৪ঃ*

মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ওষ্ট্রিলিয়াগী দোমিনিক থিয়েমবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–১ দা থোইরল্লগা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

অমরোমদা জ্বেরেভকী ফাইনেলদা লম্বা ওইখিবা ওষ্ট্রিলিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসনবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–২ দা থোইরম্বনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুগী হৌরকপদা শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। অমনা অমগী সার্ভিস ব্রেক তৌবা ঙম্নদা লাক্লবা মতুং এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা লোইশিল্লকপদা থিয়েমগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থরবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নরকখি। মহাক্না জ্বেরেভকী সার্ভিস গেম ব্রেক তৌননবা হোৎনরকখিবা অদু অরেম্বা তাদুনা লাকখি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট অমা মাঙজিল থারবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা মহাক্কী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা সোট কয়া উৎপা ঙমদুনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগী সার্ভিস গেম অমা অমুক হন্না ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬–৪ দা থোইদুনা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ষ্ট্রেট সেটতা থোইদুনা লৌবা ঙমখি।



*মাদ্রিদ ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবা জর্মনিগী জ্বেরেভ*

## য়ুম্ভু লৈবাক সাউথ কোরিয়া অমসুং জপান পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে, চাইনানা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*দোংহে সিটি, মে ১৪ঃ*

সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্ভু ওইরগা লৈবাক অসিগী সিটি দোংহেদা চথুরিবা এসিয়ান ৱুমেন্স হোক্কি চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা য়ুম্ভু লৈবাক সাউথ কোরিয়া অমসুং জপান পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা চাইনানা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানননা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্কখিবদগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ২০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টিম অদুগী শান্নরোই কিম ওক জুনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা জপানবু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা জপানগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টিম অদুগী শান্নরোই নাহো ইচিটানিনা পাঞ্জল ওন্থোক্কুনা ইক্বেলাইজর ওইহনবা ঙমখি।

মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২৩ রোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চনশিন্নবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

এসিয়াগী হোক্কি শান্নবা মকোক থোংবা লৈবাক ৫ না শান্নরিবা এসিয়ান ৱুমেন্স হোক্কি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসিদা সাউথ কোরিয়ানা মেটচ ২ শান্নবদা অমা মায় পাকপা অমদি ১ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা মকোক থোংদুনা চৎলি।

ইন্দিয়ানা মেটচ অমা শান্নখিবদা মায় পাক্কুনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। চাইনাসু মেটচ অমা শান্নবদা মায় পাক্কুনা পোইন্ট ৩ ফংখ্রবসু গোল দিফরেন্সনা ইন্দিয়ানা হেনখিবদগী অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

এসিয়ান ৱুমেন্স হোক্কি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা চাইনানা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা চাইনাগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা চাইনাগী শান্নরোইশিংনা চথুরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই ঝাং জিনরোংনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল ওন্থোক্কুনা মালেসিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মতম খরা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা চাইনাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা লি হোংনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মালেসিয়াবু ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা মালেসিয়াগী শান্নরোই হেনিস ওননা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা শোত্থরম্বা পাঞ্জল অনীগী মনুংদা অমা হনে দাকপা ঙল্লবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা ওইখি। অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্নদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি।

শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা চাইনানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা কুই ক্যুজিয়ানা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং মেটচকী লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু চাইনানা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

## ইন্দিয়াগী অদিত্য জাগটাপনা সিটি ভিয়ু ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে



*লোং আইলেন্দ, মে ১৪ঃ*

প্রোফেসনেল স্কৱাস এসোসিয়েসন (পিএসএ) গী মখাদা য়ুএসএগী সিটি লোং আইলেন্দদা চথুরকখিবা সিটি ভিয়ু ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ইন্দিয়াগী অদিত্য জাগটাপনা লৌখ্রে।

সিটি ভিয়ু ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিদা ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবা অদিত্য জাগটাপনা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই বোটসৱানাগী শান্নরোই এলিষ্টর ৱাল্করবু ষ্ট্রেট গেম অহুমদা মায়থিবা পীরল্লগা টাইটল লৌখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী অদিত্য জাগটাপনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ স্পেনগী হুগো ভারেলাবু ১১–৯, ৪–১১, ১১–২, ১১–২ দা থোইরল্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অদুগা ইন্দিয়াগী অদিত্য জাগটাপনা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংবা শান্নরোই য়ুএসএগী ফারাজ খানবু মায়থিবা পীরম্বনি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী জাগটাপনা ফজবা হেনখিবদগী ১১–৮ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা গেম অমা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী অদিত্য জাগটাপনা অনীশুবা গেম অদুদা ১১–৫ দা থোইদুনা গেম অনী মাঙজিল থারবা মতুং অহুমশুবা গেম অদু শান্নবদা ১১–৬ দা থোইদুনা সিটি ভিয়ু ওপন স্কৱাস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

## ব্রাজিলগী শান্নরোই নেমরনা ফ্রেঞ্চ প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে



*পেরিস মে ১৪ঃ*

ফ্রান্সকী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লীগে ৱানগী টাইটল লৌখ্রবা পেরিস সেন্ট জর্মেনদা শান্নরিবা ব্রাজিল মচা নেমরনা ফ্রেঞ্চ প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রে।

মালেমগী খ্বাইদগী মমল য়াম্বা শান্নরোই ওইরিবা ব্রাজিল মচা নেমরনা লীগে ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ২০১৭–১৮ সিজনদা মেটচ ২০ শান্নবদা গোল ১৯ চনবা ঙমখি।

নেমরনা পিএসজিদা শান্নরিবা অতোপ্পা শান্নরোই অনী লীগে ৱানগী খ্বাইদগী পাঞ্জল মশীং য়াম্না চনবা ঙল্লিবা ইদিসন কভানি অমসুং কাইলিয়ান বাপেগা লোয়ননা মার্সিয়েল ক্লবকী ষ্ট্রাইকর ফ্লোরিয়ান থোভিনবু মায়থিবা পীরল্লগা মনা অসি লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি ব্রাজিলগী শান্নরোই নেমর চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা মখোঙ শোকপদগী পিএসজিগী লেমহৌবা মেটচশিংদা শান্নবা ঙমখিদবনি।

## স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা মালেমগী টেন্নিস মশান্নগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরে

*পেরিস, মে ১৪ঃ*

ইন্টরনেসনেল টেন্নিস ফেদরেসননা ঙসি থাদোরকপা এটিপি রেঙ্কিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা স্বিজরলেন্দগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই রোজর ফেদররনা অনৌবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইখ্রে।

হান্না ৱার্ল্ড নম্বর টু দা লৈরম্বা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা পুন্না পোইন্ট ৯৬৭০ ফংদুনা মকোক মথং তাবগী পরিংদা অসিদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি।

ঙরাং লোইশিনখিবা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগী মখূত্তা মায়থিহৌরবা হান্নগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদাল পরিং অসিদা অনীশুবা পোজিসনদা হাইথখ্রে।

মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ হান্না লৈরম্বা পোজিসন হোংদনা অহুমশুবদা লৈরি।

মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা জ্বেরেভনা মায়থিবা পীরম্বা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভ থাক ১৪ হাইগৎলগা ২৯শুবদা লৈরি।

